**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-০৫-২০২৪, শগোলশেন)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

---**অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম ৱাশিংটননা পাউ পাজরি**---

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) অৱাং-নোংপোক রাজ্যশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ দা নোং অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩ শীরে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা অরিবা ইরং থোং তেকখ্রবসু অনৌবা শাবা লোইরবা আর.সি.সি থোংদা লানবা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বা ঙসি লোইশিল্লগনি।

--**ট্যুন**--

**মেট ঃ** অৱাং-নোংপোক রাজ্যশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ দা নোং অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩ শীরে। মেট দিপার্টমেন্তনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মনা রাজ্য অদুগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংগী মহৈ তম্ফমশঙশিং ছুতি থাদোকখ্রে। বরাক তম্পাক অমসুং ত্রিপুরাদা চীং নিংখায়বা অমদি নোং লেপ্তুনা চুবদগী রেল লম্বী ফাওনদ্রে ।

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা অরিবা ইরং থোং তেকখ্রবসু অনৌবা শাবা লোইরবা আর.সি.সি থোংদা লানবা হৌরগনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী বিরেননা হায়- নেসনেল হায়ৱে-৩৭ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মরুওইবা অচৌবা থোং অহুম - মক্রু থোং, বরাক থোং অমসুং ইরং থোং অহুম অসিগী মনুংদা মক্রু অমসুং বরাক থোং অনিদি হান্না ২০২১ অমসুং ২০২২ দা কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতি গদকারি অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখ্রবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- হৌজিক ঈশিং ঈচাউনা চেন্থখিবা ইরং থোং অসিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা লৈতনবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা পাক শন্না ঈশিং ঈচাউ থোকপা অমসুং চীংনিংখায়বা, লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী মহৌশাগী ওইবা অমাং অতা কয়া মায়োকরিবা অসি থিংনবা মহৌশা অমসুং অকোয়বগী ফীভম কন্নবসু মুখ্য মন্ত্রিনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী ঈচাউনা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংবদা এন.দি.আর.এফ, ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- এন.দি.আর.এফকী পরসনেল ৪০ অমসুং অহেনবা মোতোরবোট ৬ অমসু ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। রেসক্যু টিমিশিংনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপদা মীয়ামা মপুং ফানা মতেং পাংবিনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**নোং(এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা অৱাবা কয়া মায়োকরি। পুলিস দিপার্টমেন্তনা মরী লৈনবা এজেন্সিশিংগা খুৎশমদুনা মীওই কয়া শাফগদবা মফমদা হোংদোকপদা মতেং পাংলি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সুপ্রিন্তেন্দেন্ত ওফ পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ময়ামগীদমক পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবিনবা, দরকার লৈবা খুদক্কী ওইবা মতেংগীদমক এস.পি ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্ত্রোল রুমগী কন্তেক নম্বরশিং 0385-245-0214 অমসুং 6009-030-422 দা পাউ পীবিনবসু চেরোল অদুনা মখা তারি। চেরোল অদুনা মীয়ামা য়ুম য়ুমদগী থোকরক্তুনা মরম লৈতনা পুল্লগা তেংবাংগী থবক্তা খুদোংচাদবা থোকহনবিদনবসু চেরোল অদুনা হায়রি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ঈচাউ অমসুং চীং নিংখায়বগী থৌদোক থোক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ত দাইরেক্তোরেটনসু খুদক্কী ওইবা অথু অকায়বগী পাউ পীনবগীদমক কন্ত্রোল রুম কয়া মরুম হাংদোকখ্রে। রাজ্য অমসুং জিলাগী ওইবা কন্ত্রোল রুমশিংগী পাউ ফাউনগদবা নম্বরশিং অদুদি- ষ্টেট ইর্মজেন্সি ওপরেসনস সেন্তরগী ওইনা -0385-2443441, ইর্মজেন্সি রেস্পোন্স সপোর্ট সিস্তেমগীনা -112, বিষ্ণুপুর কন্ত্রোল রুমগীনা- 7001-490-194,8415-913-996, চান্দেলগী কন্ত্রোল রুমগী নম্বর-8119-934-085, চুরাচান্দপুরগীনা -8415-052-791 ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৯০৮৯-৫৭৪-৩২৮, ইম্ফাল ৱেষ্টকীনা ৮৯৭৪-৬৭৫-৫৭৩, সেনাপতিগী ৭৬২৮-৯৯২-২০০, কাংপোকপীগী ৮১৩২-০৬৮-৬২২, ৬০০৯-০৪৮-৮০৫, ফেজোলগী ৭০০৫-১৩২-৬৩৩, তমেংলোংগী ৯৪০২-৮১৬-৫৯৪, জিরিবামগী ৮৭৯৪-৮৫৪-১৬৭, উখ্রুলগী ৮৭৩০-৮৯০-৩৯২, ৯৬১২-৪৮৪-৫১৪, থৌবালগী

৯৮৬২-২৯৯-২৯০, ৭০৮৫-১৬৫-২১৬, কামজোংগী ৯৩৬৬-৩৪৩-১৩৩ অমসুং তেংনৌপল জিলগী কন্ত্রোল রুমগী নম্বরনা ৯৩৬৬-৫৫৬-৩৭৩ নি।

**মৈ(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিস্ত্রিব্যুসন কম্পানি লিমিতেদনা ইম্ফাল মনুংগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফম খরদা মৈ পীবদা খুদোংচাদবা লৈবদগী মৈ ফংলোই হায়রি।

**শেংদোকপা(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা অচৌবা শেনফম অমা তেংবাং পীরকখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা মেদিয়াগী খুত্থাংদা শন্দোরক্লি ৱাফম অদু অরানবনি হায়না মনিপুর সরকারগী চিফ সেক্রেটরিনা ফোংদোরক্লি। চিফ সেক্রেটরিনা থোকপা চরোল অমদা হায়- নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা শেল অমসুং মরী লৈনবা তেংবাংশিং নেসনেল দিজাস্তর রেস্পোন্দ ফন্দ অমসুং ষ্টেট দিজাস্তর রেস্পোন্স ফন্দদগী পীদুনা লাক্লি।

অৱাবা তারবা মীওইশিংগী তেংবাংগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিং, সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমসুং ভোলুন্তিয়রশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা পায়খৎলি। কনাগুম্বা এন.জি.ও নত্রগা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমত্তদা তেংবাংগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পাঙথোকবগী থৌদাং শিন্নবা লৈতে । হৌজিক ফাওবদা রাজ্য সরকারনা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরশিংদা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী তেংবাংগীদমক অপুনবা শেন্থং লুপা কোতি লিশিং ৩০ কায়থোকখ্রে হায়রি।

**ওপরেসনঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। নেসনেল হায়ৱে-টুদা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ৩৮ অশোই অঙাম য়াওদনা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা অশোই অঙাম থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়না মনিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা ফোংদোকরক্লি।

থীবা হুম্বগী থবক চথুখিবা অদুদা থৌবাল জিলাগী গারোক চিংদগী এস.এম.জি করবাইন্দ অমা, নাইন এম.এমগী পিস্তোল অমা, দি.বি.বি.এল অমা,ঐচ .ই থার্টি-সিক্স হেন্দ গ্রেনেট ৬, ত্যিব লোন্সর মরি, এস.এল.আর মেগজিন অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৫৮ , ত্বেলফ বোর কার্টিস মরি, চাজর য়াওবা ৱাকি টোক্কী অনি , তিয়র স্মোক সেল অমা অমসুং স্তেন সেল অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মনিপুর পুলিস, আর্মি, অসাম রাইফল, এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফনা মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি হায়না মনিপুর পুলিসকী সোসিয়েল মেদিয়া পোস্ত অমা ফোংদোরক্লি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মীখল ঃ** লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বা ঙসি লোইশিল্লগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবি থাক্তা ভোট খোম্বগা লোয়ননা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং চান্দিগর য়ুনিয়ন তেরিতোরিতগী লোক সভা সিট ৫৭ কী মীখলগী ভোট থাংজা নুমিৎতা থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লম্বা তৌনরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং উরিষাদা পাঙথোকপা রেল্লি কয়াদা ৱা ঙাংখি। নোংচুপ বঙ্গলাগী মথুরাপুরদা পাঙথোকপা রেল্লিদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীপুম খুদিংমকা ঙসিদি ভারত্তা ইকায় খুমবগা লোয়ননা য়েংনরে অমসুং মসি মীয়ামা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এগী সারকার অমা কেন্দ্রদা লৈহনবদগীনি। মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা ওরিষাগী ময়ুরভঞ্চ, কেন্দ্র পারা অমসুং বালাস্বরদা পাঙথোকপা রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। বালাস্বরদা পাঙথোকপা রেল্লিদা শ্রী মোদিনা হায়- নোংচুপ বঙ্গলা ,ঝরখন্দ অমসুং উরিষাগী ভোত্তরশিংনা হরাও তৈয়াম্বগী ফীভম অসি উবদা কেন্দ্রদা অহুম রক শুবা ওইনা শক্তি লৈরবা মোদি সরকার অমা লৈরগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈরে।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজন্ খরগেসু বলাস্বরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। প্রধান মন্ত্রি হুল্লদুনা মহাকা শ্রী মোদি অসি লৌমী অমদি লাইরবগী মায়োক্তা লৈবা মীশকনি হায়খি। সরকারনা সেন্ত্রেল ইনভেস্তিগেতিং এজেন্সিশিংবু অরানবা মওংদা শিজিন্নরে হায়নসু মহাকা মরাল শীখি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাজনাথ সিংহসু ঙরাং বিহারদা ভোট খোমখি।গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা অমিত সাহনা গাজিপুরদা পাঙথোকপা রোদ সো অমদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং পঞ্জাবকী লুদিয়ানা অমসুং পাতিয়ালাদা পাঙথোকপা রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি পিয়াঙ্কা গান্ধিসু হিমাচল প্রদেশকী কুলুদা পাঙথোকপা মীতিন অমদা

ৱা ঙাংখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক ওক্রম উমাদিনি লৈরে--**

**-উমাদিনি-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) অৱাং-নোংপোক রাজ্যশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ দা নোং অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩ শীরে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা অরিবা ইরং থোং তেকখ্রবসু অনৌবা শাবা লোইরবা আর.সি.সি থোংদা লানবা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বা ঙসি লোইশিল্লগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ৱাশিংটন

ঈচাউগা মরী লৈনবা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে পুমমক্কী মরুওইবা হেদলাইন পাউ ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা -ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ইম্ফাল তুরেলগী মফম কয়াদা লৌনম্বাল কায়রে, নম্বুল তুরেলসু মফম কয়াদা পাথোক্লে হায়না চাউনা হেদলাইন অমখক পীরি।

সনা লৈবাক্তা - মনিপুরদা মীওই লাখ কয়া ঈচাউকী অৱাবা মায়োকরে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা সেনাপতিদা চিং নিংখায়বদা মীওই অমা ইরাকবদা অমা শীরে, নোনেগী পোলস্তার হোস্তেল তুরেলদা চেন্থাখ্রে হায়না ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদি- মফম খরদদি ঈশিং হেনগৎলক্লি, য়েংশিল্লি, থবক লৌখৎলি হায়না কলর হেদলাইন তৌদুনা চাউনা ফোংলি।পাউ-চে অসিগী ইংলিস ইদিসনদনা নোংনা লেন্দস্লাইদ থোকহনখ্রে, উখ্রুলদা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। অদুগা অকনবা নোং চীং নিংখায়বনা অৱাং নোংপোক ভারত্তা চাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রে, রাজ্য মরিদা মীওই ৩৬ শীরে হায়বা পাউসু অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা - সেনাপতিদা চীং নিংখায়বদা মীওই অনি শীরে, মুখ্য মন্ত্রিনা মফমদুদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

হুইয়েন লানপাউদা - মাঙজোননা চেকশিলহৌদ্রবসু মিনিস্তরনা ৱা অমসুং বোরা মরাং কায়না লৈরি হায়রক্লে হায়বা কলর হেদলাইনগী মখাদা লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংগী ঈশিংনা ইম্ফাল অমসুং অকোয়বগী মফম কয়া থুমজিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অনি শীরে, অহুম শোক্লে, রিলিফ কেম্প অহুম হাংদোক্তুনা মীওই কয়া চংজফম লৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মচু শংদুনা হেদলাইন পিরি।

মনিপুর নিউজতা - এন.দি.আর.এফকী টিমশিং থুংলরে, রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে হায়বা কলর হেদলাইনগী মখাদা ইরং থোং তেকখ্রবসু অনৌবা আর.সি.সি ব্রিজদা লানবা হৌরগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা - ইম্ফালগী মফম কয়া মরুম ঈশিং থুমজিনখ্রে , নোং মখা তানা চুখিগনি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়াম শাফগদবা মফমদা পুথোকখ্রে হায়বা ৱাটর রিচোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ ন্যুমাইগী ৱাফমসু অনিশুবা হেদলাইনদা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিল হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা -দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনা সেনাপতিনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেল্লক্লিবশিংদা তেংবাং পীখ্রে, মাঙখিবা অহল ওইরবা নুপীগী হকচাং করোংগী লবুক্তা ফংলে , মনিপুরগী ঈচাওগী ফাভম লুশিল্লক্লি হায়বা পাউশিং মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- নোনে বজারদা লৈবা হোস্তেল কম কোচিং সেন্তর ইজৈ তুরলদা চেম্প্লাখ্রে, নেসনেল হায়ৱে-৩৭ গী মফম কয়াদা লেন্দ স্লাইদ থোক্লে, নোংলৈ নুংশিৎনা মৈ অমদি মোবাইল ইন্তরনেটতা খুদোংচাদবা ময়োকহল্লে হায়বসিনা অহাবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা - ১৯৯৮ ইম্ফালদা খ্বাইদগী চাউবা ঈচাউ মায়োকরে, মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

--**ৱাশিংটন**--